# ফুবালাদা গ্রামালোক পাঙথোকখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুলাই ১০ঃ বিষ্ণুপুর দিস্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়তনা সাহিত্য একাদেমি নিউ দিল্লীগা খুৎশন্নদুনা ইবুঙৌ লোক্তাক মরু কম্যুনিতি হোল ফুবালাদা ঙসি গ্রামালোক্কী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমিগী মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার সিংহ, থিনুঙ্গৈ জিলা পরিষদকী মেম্বর ওইনাম জয় সিংহ, ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান নিংথৌজম রঞ্জিৎ সিংহ, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বর দাঃ সরতচন্দ্র লোংজোম্বনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নৌনা ইবা হৌরক্লিবা অইবশিংবু মীয়ামদা শক তাকপা, মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎতুনা মখোয়না পামজরিবা ইবগী লমসিদা পুশিন্নবগী খুদোংচাবা পীবনা ঙসিগী থৌরম অদুগী মরু ওইবা পান্দমনি।

থৌরম অসিদা অইবা সলাম তোম্বদসু লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। নৌনা শক তাক্লিবা অইবশিং য়াওনা অইবা অইবী কয়ানা মশানা ইবা শৈরেং পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি হায়রি।